ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস (কেশ প্রাইজ) টুর্নামেন্ট ২০১৮

# কেদেট বোইজকী সিঙ্গলস ইভেন্টতা কে এস ঐচ লেখেন্দ্রো, এম পৃথিরাজ, কে এস ঐচ সনাথোই, সিদার্থ মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএসন (এম টি টি এ) গী মীৎয়েং মখাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস এসোসিএসন্না শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিসকী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং (কেশ প্রাইজ) টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী কেদেট বোইজ সিঙ্গলসকী মেচশিংদা কে এস ঐচ লেখেন্দ্রো, এম পৃথিরাজ, কে এস ঐচ সনাথোই, এন সিদার্থ, এল লমজিংবা, বিবেক, এম কলম্বস, টি ঐচ সিন্থাহেনবা, টি সুরজ, এল রোনিট, এস জানেশ্বর, এল চেম্পিয়ন, ঐচ য়াইফবা, পুন্যচন্দ্র, কে এস ঐচ নেলসন অমসুং দল্লিয়ু থৌঙম্বা মায় পাকখ্রে।

লমদম অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদগী নুপামচা শান্নরোয় ১২৮ অমদি নুপীমচা শান্নরোয় ৬২ পূন্না শান্নরোয় ১২০না কেদেট, সব জুনিয়র, জুনিয়র, য়ুথ অমদি সেনিয়র হায়না নুপা অমসুং নুপীগী কেটেগোরি ৫ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোকপা ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং কেশ প্রাইজ টেবল টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৮গী কেদেট বোইজ সিঙ্গলস ইভেন্টকী গ্রুপ এগী মেচ ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ লেখেন্দ্রো অমসুং থৌবালগী ঐচ পিবারেল শান্নখিবা মেচ অদু কে এস ঐচ লেখেন্দ্রোনা ৩-০দা, অনীশুবা মেচতা কে এস ঐচ লেখেন্দ্রোনা ককচীংগী এম পৃথিরাজপু ৩-০দা মায়থীবা পীখি অমদি ককচীংগী এম পৃথিরাজনা থৌবালগী ঐচ পিবারেলবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ বিগী অহানবা মেচ ওইনা থৌবালগী কে এস ঐচ সনাথোই অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এন সিদার্থ শান্নখিবা মেচ অদু কে এস ঐচ সনাথোইনা ৩-১দা, অনীশুবা মেচতা কে এস ঐচ সনাথোইনা ককচীংগী এম মিলসনবু ৩-০দা অমসুং অহুমশুবা মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী এল সিদার্থনা ককচীংগী এম মিলসনবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ সীগী অহানবা মেচতা থৌবালগী এল লমজিংবানা ককচীংগী ভিবেকপু ৩-০দা, অনীশুবা মেচতা এল লমজিংবানা ইম্ফাল ইষ্টকী এম নেলসনবু ৩-০দা অমদি অহুমশুবা মেচতা ককচীংগী ভিবেকনা ইম্ফাল ইষ্টকী এম নেলসনবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ দিগী অহানবা মেচতা থৌবালগী এম কলম্বসনা ককচীংগী এল হরসিদপু ৩-০দা, অনীশুবা মেচতা এম কলম্বসনা ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ সিন্থাহেনববু ৩-২দা অমদি অহুমশুবা মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ সিন্থাহেনবনা ককচীংগী এল হরসিদপু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

কেদেট বোইজ কেটেগোরিগী সিঙ্গল ইভেন্টকী গ্রুপ এফকী অহানবা মেচতা থৌবালগী টি সুরজনা থৌবালগী এম রেষ্টাফেনবু ৩-২দা, অনীশুবা মেচতা টি সুরজনা ককচীংগী এল রোনিটপু ৩-০দা অমদি অহুমশুবা মেচতা ককচীংগী এল রোনিটনা থৌবালগী এম রেষ্টাফেনবু ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ এফকী অহানবা মেচতা থৌবালগী এস জানেশ্বরনা থৌবালগী ও কে রাজপু ৩-২দা, অনীশুবা মেচতা এস জানেশ্বরনা থৌবালগী এল চেম্পিয়নবু ৩-১দা, অহুমশুবা মেচতা এস জানেশ্বরনা ইম্ফাল ইষ্টকী টি গ্রেসনবু ৩-০দা, মরিশুবা মেচতা থৌবালগী এল চেম্পিয়ন্না থৌবালগী ও কে রাজপু ৩-১ অমদি গ্রুপ অসিগী অরোইবা মেচতা এও চেম্পিয়ন্না ইম্ফাল ইষ্টকী টি গ্রেসনবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ জিগী মেচতা থৌবালগী ঐচ য়াইফবনা ককচীংগী এন বোনিসনবু ৩-০দা, ঐচ য়াইফবনা থৌবালগী ও কে মৈরাববু ৩-০দা, ঐচ য়াইফনবা থৌবালগী পুন্যচন্দ্রবু ৩-০দা, থৌবালগী প্যুনচন্দ্রনা ককচীংগী এন বোনিসনবু ৩-০দা অমদি পুন্যচন্দ্রনা থৌবালগী ও কে মৈরাববু মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ ঐচকী মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ নেলসন্না ককচীংগী এম কেলবিনবু ৩-০দা, কে এস ঐচ নেলসন্না থৌবালগী এম দেবরাজপু ৩-০দা, কে এস ঐচ নেলসন্না থৌবালগী দল্লিয়ু থৌঙম্ববু ৩-০দা, থৌবালগী দল্লিয়ু থৌঙম্বনা ককচীংগী এল কেলবিন অমদি থৌবালগী এল দেবরাজপু ৩-০/৩-০দা মায়থীবা পীখি।

কেদেট গর্লস কেটেগোরিগী সিঙ্গলস ইভেন্টকী গ্রুপ এগী মেচতা থৌবালগী ঐচ লিয়ানা ককচীংগী এম পুন্সিবী অমসুং থৌবালগী এ অনামিকাবু ৩-০/৩-০দা, ককচীংগী এম পুন্সিবীনা থৌবালগী এ অনামিকাবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ বিগী মেচতা থৌবালগী কে ঐচ লোয়ালেম্বীনা ককচীংগী কে এস ঐচ দাইনা অমসুং থৌবালগী এ তুলেশ্বরিবু ৩-০/৩-০দা অমদি ককচীংগী কে এস ঐচ দাইনানা থৌবালগী এ তুলেশ্বরিবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ সীগী মেচতা ককচীংগী ৱাই মালেমম্লানা থৌবালগী ঐচ জয়ারামবু ৩-০দা, থৌবালগী কে ঐচ সুসিবলানা ককচীংগী ৱাই মালেমম্লাবু ৩-২ অমসুং থৌবালগী ঐচ জয়ারাম্না থৌবালগী কে ঐচ সুসিলাবু ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ দিগী মেচতা থৌবালগী এল বিতুনা থৌবালগী অতোপ্পা শান্নরোয় এল রানি অমসুং ককচীংগী এন প্রিয়াদার্সনিবু ৩-২/৩-২দা অমসুং ককচীংগী এন প্রিয়াদর্সনিনা থৌবালগী এল রানিবু ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

কেটেগোরি অসিগী অরোইবা গ্রুপ এগী মেচতা থৌবালগী ঈ জীনাতানা ককচীংগী ব্রেতিনা, ইম্ফাল ইষ্টকী কেলি অমদি ককচীংগী এম রোজপ্রিয়াবু ৩-০/৩-০দা মায়থীবা পীখি। ককচীংগী ব্রিতিনানা ইম্ফাল ইষ্টকী কেলিবু ৩-২ অমসুং ব্রেতিনানা ককচীংগী এন রোজপ্রিয়াবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

সব জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলস ইভেন্টকী গ্রুপ এগী মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী ঐচ সেমসঙনা থৌবালগী দল্লিয়ু থৌঙম্বা অমদি ককচীংগী এম চীংলেম্ববু ৩-০/৩-০ অমসুং থৌবালগী দল্লিয়ু থৌঙম্বনা ককচীংগী এম চীংলেম্ববু ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ বিগী মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী আর কে নাসমন্না থৌবালগী এম কলম্বস অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী এল নেলসনবু ৩-০/৩-০দা অমসুং থৌবালগী এল কলম্বসনা ইম্ফাল ইষ্টকী এম নেলসনবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ সীগী মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী এ বাইরেলনা থৌবালগী টি সুরজ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ সিন্থাহেনববু ৩-০/৩-০দা অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ সিন্থাহেনবনা থৌবালগী টি সুরজপু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ দিগী মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী পি ঐচ রাকেসনা থৌবালগী এল চেম্পিয়ন অমসুং ককচীংগী এম মিলটনবু ৩-০/৩-০দা অমদি থৌবালগী এল চেম্পিয়ন্না ককচীংগী এম মিলটনবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ ঈগী মেচতা ককচীংগী লেম্বনা থৌবালগী এস জানেশ্বরবু ৩-০ অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী এল নেলসনবু ৩-২দা অমসুং থৌবালগী এস জানেশ্বরনা ইম্ফাল ইষ্টকী নেলসনবু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ এফকী মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী এন বোনেক্সনা থৌবালগী এল লমজিংবা অমদি ককচীংগী এন অমরজিৎপু ৩-২/৩-২ অমসুং থৌবালগী এল লমজিংবনা ককচীংগী এন অমরজিৎপু ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

সব জুনিয়র বোইজ সিঙ্গলস ইভেন্টকী গ্রুপ জিগী মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ সিদার্থনা থৌবালগী এম রেষ্টাফেন অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী এন সিদার্থপু ৩-০/৩-০ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী এন সিদার্থনা থৌবালগী এম রেষ্টাফেনবু ৩-১দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ ঐচকী মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী মিনাকরাজনা থৌবালগী পুন্যচন্দ্র অমদি ককচীংগী আই গৌতম্বু ৩-০/৩-০ অমসুং থৌবালগী পুন্যচন্দ্রনা ককচীংগী আই গৌতম্বু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ আইগী মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ লেকেন্দ্রোনা থৌবালগী কে এস ঐচ সনাথোইবু ৩-২ অমদি ককচীংগী চীংখৈবু ৩-০দা অমসুং থৌবালগী কে এস ঐচ সনাথোইনা ককচীংগী চীংখৈবু ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ জেগী মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ নেবোন্না ককচীংগী কে এস ঐচ হোমরবু ৩-১ অমদি থৌবালগী এল রোসনবু ৩-২দা অমসুং ককচীংগী কে এস ঐচ হোমরনা থৌবালগী এল রোসনবু ৩-২দা মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ কেগী মেচতা ইম্ফাল ইষ্টকী এন হেরোজিৎনা থৌবালগী ঐচ য়াইফবা অমদি ককচীংগী দল্লিয়ু ঙাম্বোইববু ৩-০/৩-০ অমসুং থৌবালগী ঐচ য়াইফনবা ককচীংগী দল্লিয়ু ঙাম্বোইববু ৩-০দা মায়থীবা পীখি।

# মণিপুরগী অত্যা পত্যা টিম শেমখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): অত্যা পত্যা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া নাগপুর মহারাষ্ট্রগী মীৎয়েং মখাদা হিমাচল প্রদেশকী দিষ্ট্রিক্ট কনগ্রাদা লৈবা পালম্পুরদা থা অসিগী ২৭তগী ৩০ ফাওবা নুমিৎ মরিনি চূপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৭শুবা বোইজ এন্দ ২০শুবা গর্লস সব জুনিয়র অত্যা পত্যা নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ানবা মণিপুরগী অত্যা পত্যা টিম শেমখ্রে।

নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়ানবগীদমক ওল মণিপুর অত্যা পত্যা এসোসিএসনগী লৈমপোকপম গ্রাউন্দদা ত্রায়ল কম ফাইনেল সেলেক্সন অমা পাঙথোকখি। ত্রায়ল সেলেক্সন অদুদা খনখ্রবা মণিপুরগী টিমদা শরুক য়ারুগদবা নুপামচা শান্নরোয়শিং অদুদি বোরিস থোকচোম, থৌনাওজম দিয়াসন, বাইরোন থোকচোম, সাইখোম জেক্সন, কোংব্রাইলাৎপম চান্দ শর্ম্মা, টেনিসন থোকচোম, সাপম পিটরজিৎ, খাঙেম্বম লোরেস, নিংথৌজম সুরজকান্তা, য়াংলেম বোরিস অমসুং ৱারেপ্পম খাগেম্বনি।

নুপীমচা শান্নরোয়শিং অদুদি নিংথৌজম সুসিত্রা, সাপম প্রিতি, অহোংশাংবম মারিয়া, য়াইথোই অকোইজম, ৱাইখোম রতনা, সিমরন লাইশ্রম, প্রিয়াঙ্কা খোইস্নাম, রোজি থিঙোম, ৱাহেংবম লনচেনবী চনু, সাইরেম পোনিতা, লোইতোংবম পুর্নিমা অমসুং লাইশ্রম কাজলনি।

মণিপুরগী অত্যা পত্যা টিম অসিবু লুচিংগদৌরিবা ওফিসলশিং অদুদি নুপামচাগী টিম কোচ ওইনা ওইনাম দিনেসকুমার অমদি মেনেজর ওইনা থৌদাম অকাসকুমারনি। নুপীমচাগী টিম কোচ ওইনা য়ুম্নাম অজিৎকুমার অমদি মেনেজর ওইনা লাইশ্রম কবিতানি হায়না ওল মণিপুর অত্যা পত্যা এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইনাম কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ২৭শুবা নুপামচা অমসুং ২০শুবা নুপীমচাগী সব জুনিয়র অত্যা পত্যা নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী অত্যা পত্যা টিম হয়েং হিমাচলগীদমক ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়রি।

# মেগা মরাথোনগী মিদিয়া কম্মিটি শেমখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট মণিপুর (য়ু পি এফ) না লিশাং শিৎনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা মেগা মরাথোন অসিগী ১২শুবা ওইনা নবেম্বর ৪দা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মেগা মরাথোন ২০১৮গী মিদিয়া কম্মিটি শেমখ্রে।

কৈশামথোং নম্বুল মপাল লাইশোম লৈকায় মচিন্দা লৈবা য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট মণিপুরগী ওফিসতা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবদা পাউমীশিং অমদি য়ু পি এফকী ওফিসলশিংনা শরুক য়াদুনা মিদিয়া কম্মিটি শেম্নবগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা সঙাই এক্সপ্রেসকী ষ্টাফ রিপোর্টর এম রোমেন্না মিদিয়া কম্মিটিগী চেয়রমেন, য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্টকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি অসোম কোইরেংনা কনভেনর অমসুং পোক্লফম পাউচেগী রিপোর্টর সদানন্দ দা কো কনভেনর ওইনা খনখি।

১২শুবা মেগা মরাথোন ২০১৮ অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা ইলেক্ট্রোনিক্স মিদিয়া অমদি প্রিন্ট মিদিয়াগী পাউমীশিংনা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা মণিপুরদা নত্তনা অতোপ্পা পাউমীশিংসু শরুক য়াদুনা মীওই ৩০না শাবা মিদিয়া কম্মিটি শেমখি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা য়ু পি এফকী প্রসিদেন্ট দল্লিয়ু সেকেন্দ, য়ু পি এফকী ভাইস প্রসিদেন্ট নোংথোম্বম রুপচন্দ্র অমসুং য়ু পি এফকী ওফিসল-শিংনা শরুক য়াখি।

# ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিম থাইলেন্দ পাংখ্রে





ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): থাইলেন্দগী কোরাটতা থা অসিগী ২৩দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৩২শুবা কিংস কপ সেপাক তাক্রো চেম্পিয়নশিপ ২০১৮দা শরুক য়ারুগদবা ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিম ঙসি থাইলেন্দ পাংখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা মীওই ৪২না শাবা ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিমগী শান্নরোয়শিং অদুদি নুপাগীদা মণিপুরগী এল চীংলেন, এস এস বিগী ৱাই অকাস, দল্লিয়ু হেনরি, ঈ মালেমঙানবা, ঈ রিসিকান্তা, সন্দিপ, জিতেন্দ্র, দেল্লিগী হরিস, মনিস, সুরাহ, রেসি, টামিল নাদুগী পানি, গনেস, নাগালেন্দগী ভেনি, মিজোরামগী লাহোলুৱা, উত্তর প্রদেশকী লকি, ওদিষাগী বুলু অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী সোরাব দাসনি।

নুপী শান্নরোয়শিং অদুদি মণিপুরগী ঈ সিলপা, ঈ প্রিয়া, এম সন্ধ্যারানি, এস এস বিগী কে ঐচ লিন্থোইঙম্বী, ঈ লাইরেনতোম্বী, মেনেনু, জেনসাইল, টিয়া, নাগালেন্দগী অকুমতালা, পুরো, য়ু পিগী মনিসা, দোলি, টেলঙ্গনাগী তরানগানী, নেহারিকা, ওদিষাগী মাধু, ইটেশ্রী, দেল্লিগী মিসা অমসুং মহারাষ্ট্রগী এপেক্সানি।

ইন্দিয়াগী সেপাক তাক্রো টিম অসিবু লুচিংগদৌরিবা ওফিসল অমদি কোচশিং অদুদি সাই দেল্লিগী হেমরাজ, সাই বরেলিগী বি অঙৌস্না শর্ম্মা, নাগালেন্দগী হোলসেশ ক্রিও, দেল্লিগী রোহিট, দেল্লিগী মন্তা অমসুং কর্ণাটকাগী দিবিগোরানি হায়না সেপাক তাক্রো ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া (এস টি এফ আই) গী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই দহিয়ানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ইন্টর স্কুল ত্রায়ল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ইম্ফাল ইষ্ট খুমন লম্পাক্লা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রেক্টকী ওইনা তোঙান তোঙানবা মশান্না মঙাগী ত্রায়ল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি।

বোল্লিবোল মশান্নগী ওইনা ওক্টোবর ১৬তগী ১৭ ফাওবা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নুপামচাগী চহী ১৪ মখা অমসুং চহী ১৭ মখাগী ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্কনি। হেন্দবোল মশান্নগী ওইনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা ওক্টোবর ১৬তগী ১৭ ফাওবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগী ত্রায়ল সেলেক্সন, বোক্সিং মশান্নদা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নবেম্বর ১দগী ২ ফাওবা নুপামচাগী চহী ১৪ মখা অমদি নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগী ত্রায়ল সেলেক্সন, বাস্কেটবোল মশান্নগী ওইনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নবেম্বর ১দগী ২ ফাওবা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগী ত্রায়ল সেলেক্সন অমসুং ৰুশু মশান্নগী ওইনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নবেম্বর ১দগী ২ ফাওবা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী চহী ১৯ মখাগী ত্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্কনি। তোঙান তোঙানবা মশান্না মঙা অসিগী পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রায়ল সেলেক্সন অসিদা শরুক য়ানীংবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শান্নরোয়শিংনা খুমন লম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস ওফিসর ৱাই বোনিদগী এন্ট্রি ফোর্ম লৌবা য়াগনি। লোয়ননা এন্ট্রি ফোর্ম পীশিনবগী অরোইবা মতমনা ওক্টোবর ১২দা ওইগনি। অদুগা বোক্সিং, বাস্কেটবোল অমসুং ৰুশু মশান্নগী ওইনা থা অসিগী ২৭তা ওইগনি হায়না ইম্ফাল ইষ্টকী দি ৱাই এ এস ও ওফিসর ৱাই বোনিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।

# ইম্ফাল ইষ্টতা নেহরু য়ুব কেন্দ্রগী ব্লোক লেভেল স্পোর্টস মীট হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা হন্দক চহীগী ওইনসু কৈরাও বিত্র ব্লোক্তা ব্লোক লেভেল স্পোর্টস মীট অমা পরিয়তম পরভগা মরী লৈননা পাঙথোকখ্রে হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট নেহরু য়ুব কেন্দ্রগী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ কোওর্দিনেটর কে ঐচ ইবোহনবীনা প্রেসতা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা বামোন কম্পু গ্রাম পঞ্চায়টকী জিলা পরিষদকী মেম্বর থিয়াম কাচুমলা গোলমৈ, গ্রাম পঞ্চায়ট অদুগী প্রধান নাওসেকপম রবি, চীং তম সোসল ৱার্কর য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট এস বসন্ত, ইরিলবু হায় স্কুলগী হেদ মিষ্ট্রেস কে ইন্দু অমসুং নেহরু য়ুব কেন্দ্রগী য়ুথ কোওর্দিনেটর কে ঐচ ইবোহনবীনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

পরিয়তম পরভ হায়না খঙনবা ইন্দিয়া শিনবা থুংনা পাঙথোকপা নেহরু য়ুব কেন্দ্রগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা কৈরাও বিত্র ব্লোক্কী ওইনা ইন্টর য়ুথ স্পোর্টস মীট অমা হৌদোক-খিবনি। হায়রিবা স্পোর্টস মীট অসিনা শান্নববু চাওখৎহনবা অমদি টুরিজমগী লমদা শান্নবগী কাখল অমা কনবা ঙম্নবগী তাঞ্জা অমা পীরি।

পরিয়তম পরভগী মখাদা ব্লোক লেভেলদা লৈবখক্তা নত্তনা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা লৈরিবা য়ুথ ক্লবশিংনা শান্না খোৎনবগী অথোই অহেন তান্নবগী থবক থৌরম কয়া পায়খৎপা য়াবগী অয়াবা পীরি। খুদোংচাবশিং অদুগী মনুংদা মনুং হঞ্জিন্না লৈবা নহাশিংদা মখোয়গী শান্নবগী হৈথোই শিংথোইবা অদু অহেনবা থাক্তা পুখৎনবগী খুদোংচাবা, নহাশিং অদুগী মনুংদা স্পোর্টস কলচর অমসুং স্পোসমেনসিপকী পাঙ্গল হেনগৎহনবা, খুঙ্গংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংবু শান্নফম পীবা, শান্নবা অদুদা চঙগদবা পোৎলমশিং পীবা লোয়ননা শেলগী মতেং পীদুনা মশান্নশিং অদুবু চাওখৎহনবগী খোঙথাংসু য়াওরি।

নহাশিংগী মরক্তা অফবা হকচাং অমসুং অফবা ৱাখলগী পাউজেল পীনবগী ফম্পাক অমসু পরিয়তম পরভনা চাউনা পীরি।

প্রোগ্রাম অসিনা খুঙ্গংশিংদা লৈরিবা টেলেন্ট ৱাংবা নহাশিংদা লৈঙাক অসিগী দিপার্টমেন্টশিংনা মখোয়বু তুং কোয়না অফবা শান্নরোয় অমা ওইহন্নবগী তাঞ্জা অদুসু পীবা ঙম্লি।

ঙরাং হৌদোকখিবা কৈরাও বিত্র ব্লোক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টনা শীন্দুনা ব্লোক লেভেল স্পোর্টস মীট অদুদা ব্লোক অদুদগী য়ুথ ক্লব অমসুং টিম ১১দগী লাকপা নুপা অমসুং নুপী এথলেট ১৯৮না শরুক য়ারি।

# এ বোরচান্দ সিংহ মেমোরিএল ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (নুপী) হৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল ইষ্টতা লৈবা বিরমঙ্গল কোলেজ শঙস্বুংনা শীন্দুনা কোলেজ অসিগী শান্নবুংদা থা অসিগী ২৩দগী এ বোরচান্দ সিংহ মেমোরিএল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ ফুটবোল (নুপী) টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ হৌরগনি হায়না টুর্নামেন্ট অসিগী ওর্গেনাইজিং সেক্রেটরিগী মায়কৈদগী প্রেসতা পীরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী টিম য়াওরগা কোলেজ মরিগী নুপীগী ফুটবোল টিমনা শরুক য়ারি। টিমশিং অদুদি ঘনপ্রিয়া ৱিমেন্স কোলেজ, শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ গর্লস কোলেজ, ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ সাইন্স অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু ওইরিবা বিরমঙ্গল কোলেজ শঙস্বুংগী টিমশিংনি।

থা অসিগী ২৩গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবা মতমদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা মেচ ওইনা ঘনপ্রিয়া ৱিমেন্স কোলেজ অমসুং শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ গর্লস কোলেজকী টিম অনীনা শান্নগনি।

টিম মশীং য়ামদবা মরম্না নুমিৎ অদুদা জি পি ৱিমেন কোলেজ অমসুং এস এস জি জি কোলেজ অনীগী অথোইবা অদু সেমী ফাইনেল য়ৌগদৌরিবনি। মখোয়না সেমী ফাইনেল অদু হায়রিবা নুমিৎ অদুগী নুংথিল পুং ৩.৩০ তাবা মতমদা বাই ফংখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী নুপীগী ফুটবোল টিমগা লম্বা তৌনরগনি।

হৌদোকপা নুমিৎ অদুদা শান্নগদৌরিবা অতোপ্পা সেমী ফাইনেল মেচ অদু নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা ধনমঞ্জুরি কোলেজ ওফ সাইন্স অমসুং বিরমঙ্গল কোলেজ শঙস্বুং অনীগী টিম ওইগনি।

হৌদোকপা নুমিৎ অদুদা সেমী ফাইনেল মেচ অনী শান্নরবা মতুং ফাইনেল য়ৌবা টিম অনী মশক খঙদোক্তুনা থা অসিগী ২৫গী নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১.৩০ তাবা মতমদা ফাইনেল মেচ অদু শান্নগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# ন্যু দেল্লি ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ্তা মেরি কোম্না মহাক্কী তরুক্লকশুবা ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরি




ন্যু দেল্লি, সেপ্টেম্বর ২১ (এজেন্সী): চহী ১০গী মতুংদা ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দেল্লিনা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড ৱিমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা মমাঙদা টাইটল মঙারক ফংবা ঙমখ্রবী ইন্দিয়াগী এম সী মেরি কোম্না মহাক্কী করিয়রগী তরুক্লকশুবা ৱর্ল্ড টাইটল অদু লৌনবা কন্না হোৎনরি।

ন্যু দেল্লিদা চহী অসিগী নবেম্বর ১৫দগী হৌগদৌরিবা ৱর্ল্ড ৱিমেন্স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেরি কোম্না কুমজা ২০০২, ২০০৫, ২০০৬, ২০০৮ অমসুং ২০১০দা ফংখিবা ৱর্ল্ড ৱিমেন্স বোক্সিং টাইটলগী মখা তানা তরুক্লকশুবা টাইটল অদু ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ অসিদা ফংনবা হোৎনগদৌরিবনি।

ইন্টরনেসনল বোক্সিং এসোসিএসনগী মায়কৈদগী ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না এসোসিএসন অসিগী মখাদা পাঙথোকপা ৱিমেন্স ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ন্যু দেল্লিনা য়ূম্বু ওইদুনা চহী অসিগী নবেম্বর ১৩দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদগী লাক্কদৌরিবা বোক্সরশিং নবেম্বর ১৩দা থুংলরবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা নবেম্বর ১৫দগী কম্পিটিসন হৌগদৌরিবনি। নুপীগী বোক্সিংগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা টুর্নামেন্ট অসি ইন্দিয়ানা কুমজা ২০০৬তা য়ূম্বু ওইখিবা অদুগী মতুং হন্দক্কী অসিনা অনীরকশুবা ওইগদৌরি।

ইন্দিয়াগী ওইনা চহী খুদিংগী পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ইকোন কোনবা চেম্পিয়নশিপ্তা কেজি ৫৭কী কেটেগোরিদা সোনিয়া লাথরনা সিলভর মেদল ফংখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইরি।

# এফ সী ইম্ফাল সিটি চান্দিগড়গীদমক ইম্ফাল থাদোকখ্রে



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): চান্দিগড়গী য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টসনা শীন্দুনা থা অসিগী ২১দগী ৩০ ফাওবা পাঙথোক্-দৌরিবা ১৬শুবা এদমিনিষ্ট্রেটরস চেলেঞ্জ কপ ফোর ইন্দিয়া ফুটবোল টুর্নামেন্ট অন্দর - ১৭ বোইজ ২০১৮দা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরগী ফুটবোল ক্লব এফ সী ইম্ফাল সিটি থা অসিগী হৌখিবা ২০দা কংলা ৱেষ্টর্ন গেটতগী মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা লমথাখ্রে।

ফ্লেগ ওফ তৌবগী থৌরম অদুদা মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা হায়খি, সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অসিগী শান্নরোয়শিংনা উৎলিবা শান্নবগী থাক অসি সেন্ত্রেল লৈঙাক্লা মশক খঙদুনা শান্নরোয়শিং অসিগী হোৎনজমন মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা ইন্দিয়াগী অহানবা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসি লাক্কদৌরিবনি। শান্নবা অমসুং কলচরগী তোপ তোপ্পা মশক্লা মণিপুর ষ্টেট অসি মালেমগী মফম কয়াদা মশক তাকপা ঙম্লিবনি।

মহাক্লা মখা তারদুনা ষ্টেট অসিগী চীফ বিরেন্না লুচিংবা লৈঙাক্লা শান্নরোয়শিংগী মতেং চাউনা পাংদুনা লাক্লি অমসুং তুংদসু পাংখিগনি হায়খি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com